October 06, 2009

# অশেংবা পুয়া খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫(এইচ এন এস)ঃ লূপ তরেংকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা ঙরাং তেরা কৈথেল চিলদ্রেন হোমদা পাঙথোকখিবা পুয়া খনবগী মীফম অমনা ইং ১৯৯১গী জুলাইগী তাং ২১দা ফমখিবা মীফম্না খল্লম্বা পুয়া ৪গী মনুংদগী ব্রাকোক্লোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়াবু অশেংবা অমসুং অরিবা পুয়ানি হায়না য়েৎনবা লৈতনা লেপ্ল খ্রে হায়রি।

পুয়া কনভেনশনগী প্রেসিদেন্ট ব্রাজ্মেমচা চিংতমলেননা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি, খনগৎত্রবা পুয়াগী মপুশিং(ওথোরিটিশিং)না মখোয়গী পুয়ানা চহি য়াম্লে হায়বগী থাজবা ওইবা য়াবা চে-চাং (সাইনটিফিক সর্টিফিকেট) থা অনীগী মনুংদা খুৎশিন্নদুনা ব্রাকৎ-চে পীশিল্লকপা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মতুং তাবা ব্রাকৎ লৌরোই। লেপখ্রবা/ খনখ্রবা পুয়া অসি মণিপুরগী অশেংবা পুয়ানি হায়না চৎনরগনি।

অয়েকপম তোম্বা মীতৈ অমসুং ব্রাজ্মেমচা চিংতমলেননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রেসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা ঙরাংগী মীফম অদুদা য়াইরিপোক, ব্রাবগাই, হিয়াংলম, লমজাউ, লাংমৈদোং, খুন্দ্রাকপম পাঙ্গে, লাইরেনকাবী, পাৎসোই, মোইরাং তেরা খোংশাংবী, সেকমাইজিন, মোরে, ককচিং, থৌবাল, নিংথৌখোং, বিষ্ণুপুর, থাঙ্গা, অরাং খুনৌনাচিংবদগী মীহুৎ ১০০রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।